# য়ুপিএসসি না লৌবা সিভিল সার্ভিসেস একজামিনেসন্দা মণিপুরদগী ৮ খল্লক্লে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ৪ঃ* য়ুপিএসসি না লৌবা সিভিল সার্ভিসেস (মেন ) একজামিনেসন ২০১১ দা মণিপুরদগী মহেরোই নিপাল খল্লক্লে। খল্লক্লবশিং অদুগী মনুংদা অরাপ্পি ময়াই লৈকায়দগী তাবগী শক্তি ৱাৎলবা অমা জেনরেল কেটাগোরিদা সেলেক্সন ফংলকখ্রে।

মণিপুরদগী সেলেক্সন ফংলকখ্রবশিং অদুদি মেরিটকী মতুংইন্না সেরিয়েল নম্বর ১২৮ তা ৱাংজিং লমদিং বজারদগী অরিবম রাধাবিনোদ শর্ম্মা, ১৪৭ দা ওইনাম সরনকুমার, ২৪৪ য়ুমখাইবম সবির, ৩০১ দা নোংমাইথেম বন্দনা, ৭২৪ দা সোইবম ভিক্টরদেব, ৭৭৯ দা রোবার্ট মোইরাংথেম, সেরিয়েল নম্বর ৮৯৪ দা য়েংখোম নবকিশ্বর সিংহ অমসুং ৯০৮ তা বন্তি সিংহ কোন্থৌজমনি।

খল্লবা বন্তি সিংহ কৌন্থোজম (২৬) অরাপ্পি ময়াই লৈকায়দগীনি। মহাক্কী অপোকপনা সেনিয়ার ওদিট ওফিসার (রিটায়ার্দ) কে ইবোচৌবা অদুগা অপোকপীনা কে কুঞ্জরানি দেবী (এসোসিয়েট প্রোফেসার) লিলোং হাওরৈবী কলেজনি। বন্তি সিংহ মশাগী ওইনা চাদা ৫০দি তাবগী শক্তি ৱাৎলবা মীওইনি। অদুম ওইনমক জেনরেল কেটাগোরিদা সেরিয়েল নম্বর ৯০৮ দা সেলেক্সন ফংলকখিবনি। মহাক্কী স্কুলিংনা হায়স্কুল লাইফতা কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুর, হায়র সেকেন্দরিদনা হাবার্দ স্কুল শগোলবন্দ, গ্রেজুয়েসন্না বেঙ্গলোরগী বিএমএস কলেজ ওফ ইঞ্জিনিয়ারিংদা মেকানিকেল ইঞ্জিনিয়ারিংদা চাদা ৬৮ গী চাংদা পাস তৌরবা মতুং পৃথিবীগী ওইনা সেকেন্দ লার্জেষ্ট ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এন্দ সোফট ৱায়ার কম্পনি অমা ওইরিবা টাটা কন্সলটেন্সি সার্ভিসেস লিমিটেদতা চহি অনিগী থবক তৌরমখি। অহানবগী ওইনা মহাক্না য়ুপিএসসি না লৌবা সিভিল সার্ভিসেস (মেন) একজাম অসিদা পাস তৌরকখিবনি। সেলেক্সন তৌরে হায়বা খঙলবা অতোপ্পা সেক্যু ত্রাইব কেটাগোরিদা য়াওরম্বসু য়ারি। অদুবু প্রেসনদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি।

পুন্না কেন্দিদেট ৯১০ সেলেক্সন তৌবগী মনুংদা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ কেন্দিদেট ২১, ওবিসি ২৫৫ (মসিদসু ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ কেন্দিদেট ৮ য়াওরি।) সেদ্যুল কাষ্ট ১৫৭ অদুগা জেনরেলনা ৪২০ নি। খল্লবশিং অসি মখোয়গী মেরিটকী মতুংইন্না আইএএস, আইএফএস, আইপিএস অদুগা সেন্ত্রেল সার্ভিস গ্রুপ এ অমসুং গ্রপ বি দা এপোইন্টমেন্ট পীগদবনি হায়রি।